# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ হৈবোং

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ




*“থা-থা থাবুংতোন, নচা মোরাম্বী পোবীগে পোবী শনম নম্বীগে হৈবোং চরোং অমত্তা থাদবিরকউ”* ৱাহৈ পরেং অসি মমা ওইবীশিংনা পীক্লিবা মচাশিংবু থাবল থোকপা নুমিদাংগী মতমদা কপ্লিবা নৎত্রগা তূম্মু য়াদবা মচাশিংবু মনমগন্দা পোরগা শকপা নাওশুম ঈশৈ অমনি। নুমিদাংগী মতমদা তরং-তরং থোক্লিবা থা অদুদা হেক য়েংবদা ময়ায়দা মুরং তৌবা মসা ফনবা মানবা মওং অদু মমাশিংনা হৈবোং পাম্বী অমনি হায়না লৌরগা মহাক্কী কপ্লিবা নৎত্রগা তূম্মু য়াদ্রিবা মচা অদুগীদমক্তা মদুদা পাল্লি হায়না লৌরিবা হৈবোং চরোং অমতং থাদবিরকউ হায়না শৈথাবনি। হায়রিবা নাওশুম ঈশৈ অদু হেক তাবগা পীক্লিবা অঙাং অদু থুনা তূমহন্নীংবা অমদি তূমথহনবগা থোইদোক-হেন্দোকপা মগুন য়াওবা নাওশুম ঈশৈনি। হায়রিবা নাওশুম ঈশৈ অসি গ্রামাফোন্দা অমদি কেসেত্তা ঈশৈ ওইনা শক্লগা নমদুনা মতম অমদা লুহোং-খোংদোংবা অমদি কুম্মৈ হরাওশিংদা থাদোকপা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা থেংনরকই।

হৈবোং পাম্বী অসি ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা থোইদোক হেন্দোক্না মরাং কায়না হৌবা অমদি হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নবা পাম্বীলক্তুগী অথোয়বা পাম্বী অমনি হায়না লৌবা য়াই। হৈবোং পাম্বী অসি ইংলিসতা ক্লসতর ফিগ **(Cluster fig)** নৎত্রগা ইন্দিয়ন ফিগ ত্রী **(Indian fig tree)** নৎত্রগা গুলার ফিগ **(Goolar fig)**, হিন্দিদা গুলার **(Goolar)**, পঞ্জাবীদা গুলর **Goolar)**, গুজরাটিদা উমরা **(Umaraa)**, আসামিজদা জগনা দিমরু **(Jagna dimaru)**, ওরিয়াদা দিম্বীরি **(Dimbiri)**, টামিলদা মালায়িন মুনিভান **(Malaiyin munivan)**, বেঙ্গোলিদা জগদুমুর **(Jogdumur)**, নেপালিদা দুম্রী **(Dumri)**, ইন্দোনেসিয়াদা লাও **(Lao)**, ভিয়েটনামিজদা শুঙ **(Sung)**, বর্মিজদা ফুন **(Fun)** নৎত্রগা সুন **(Sun)**, সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *ফাইকস গ্লোমেরাতা* ***(Ficus glomerata Roxb.)*** নৎত্রগা *ফাইকস রেসিমোসা* ***(Ficus racemosa Linn.)*** নৎত্রগা *ফাইকস হেনরিকি* ***(Ficus henrici King)*** নৎত্রগা *ফাইকস সেমিকোসতাতা* ***(Ficus semicostata F.M. Bailey)*** হায়না কৌই অমসুং অশি-হৈবোং অমসুং থৈবোং পাম্বীগী শাগৈ হায়বদি *মোরেসী* ***(Moraceae)*** দা চল্লি। হৈবোং পাম্বী অসি সংস্কৃটতা উদুম্বারা **(Udumbara)** হায়না কৌনৈ।

হৈবোং পাম্বী অসি ফুট ১০০ ফাওবা ৱাংবা মনা য়াম্না পুংবা, মনা ইকেন কেনগন্দবা উজাও পাম্বীনি। পাম্বী অসিগী মহৈশিং অদু উগী মউ (মখোক) অমসুং মচাশিংদা উরোং-চরোং য়ান্থদুনা পানবদগী পাম্বী অসিবু ক্লষ্টর ফিগ ত্রী হায়না কৌনৈ। মহৈশিং অদু নৌরিঙৈদা শংত্রিক শংনা খোৎপদা অঙৌবা মচুগী লেটেক্স **(Latex)** হায়না খঙনবা মহী (মখোম) থোকই অদুবু মমুন ফারবা মতমদদি মচু অদু ঙাংশং ঙাংলকই অমসুং মখোম অদু থোরক্তে। অমুনবা মহৈ অদু হেক খায়দোক্লুবদা তুমিৎ ময়াম মনুংদগী পাইথোরকই।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না হৈবোং পাম্বী অসি নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং মরু ওইনা ইন্দিয়া, খা থংবা চাইনা, ম্যান্মার, থাইলেন্দ, ভিয়েটনাম, মলেসিয়া, ইন্দোনেসিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া, বাংলাদেশ, শ্রীলঙ্কা, নেপাল অমসুং পাকিষ্টানদা মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌজৈ। ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং মরু ওইনা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী মফমশিং অমসুং হিমালয়গী অনেম্বা মফমশিংদা হৈবোং পাম্বী অসি য়াম্না মরাং কায়না হৌবগী পাউদমশিং লৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা মরু ওইনা তম্পাক্কী মফমশিংদা অদুমক মরাং কায়না হৈবোং পাম্বী অসি হৌবা ঐখোয়না থেংনৈ। হৈবোং পাম্বী অসি লৈঙোয় তাবা তুরেলগী তোর্ব্বান ময়াদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌবা ঙম্মী। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি হৈবোং পাম্বী অসি য়ূমগী মনাক নক্লা থানদে। মরমদি হৈবোং পাম্বীগী মখোংদা অমসুং মনাক নক্লা ফত্তবা লাই লৈ হায়না থাজনৈ। মসিগী মথক্তা পাম্বী অসি মসা-মরেং ফন্না য়াম্না চাউবা উজাও পাম্বী অমা ওইবা অমসুং য়াম্না কন্না শিৎপা নুংশিত্তা মসা অদু তেক্কনবা মরম্না য়ূম অদুদা অমাং-অতা থোকহনবগী ওইথোকপসু লৈ। অয়াম্বনদি হৈবোং পাম্বী অসি মথন্তা হৌজরকপনি। হৈবোং পাম্বী অসি লাই উমংশিংদা য়াম্না তোয়না হৌবা ঐখোয়না থেংনৈ।

হৈবোং পাম্বীগী অশংবা অমসুং অমুনবা মহৈশিং অসি চাবা য়াই। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি হৈবোং অশংবা মহৈ অদু ঙারি, থুম অমসুং মোরোক মকুপকা পূন্না শুগাইমিন্নরগা অহাওবা মথেল মরু ওইনা নুংথিলগী মতমদা চানৈ। হৈবোংগী অমুনবা মহৈ অসি থুম্না মহাও লৈ অমসুং অঙাংশিংনা পাম্না চানৈ। ইন্দিয়াগী মফম খরদদি হৈবোং পাম্বীগী অনৌবা মনা অদু




এঞ্জাং থোংদুনা চানবগী পাউদমশিং লৈ। হৈবোং পাম্বীগী অনৌবা ময়োন (মতোন) অদু সলাদ (শিংজু) ওইনা চানৈ। হীদাক ওইনা হৈবোং পাম্বীগী মনা অদু ঈশিংদা ফজনা চামথোক্লগা লৌবা মহী অদুদা অচা-থুম খরা থাদদুনা নৈখাইরগা শেম্বা মহী অদু গ্লাস মশুং অমগী চাংদাদা পীথক্তুনা খোং হামথবা অমসুং ঈতোন ফায়বা অসি লায়েংনৈ।

বিজ্ঞানগী ওইবা পাউদম অমগী মতুং ইন্না হৈবোং পাম্বীগী উগী মকু অসিদা উনশাগী শেলশিং চপশিলহনবা ঙম্বা **(Astringent)** মরম্না মায়তৈ হীদাকশিং **(Face lotion)** শাবদা শীজিন্নৈ। য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লি মদুদি হৈবোং পাম্বীগী মরা অদু থাঙনা ফৎ হেক ককপদা থোরকপা মহী **(Sap)** অদু চাং নাইনা থকপদা মীওই অদু পাঙ্গল পীবা ঙম্বতা নত্তনা অনা-অয়েক কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়দুনা শীজিন্নৈ। হায়রিবা মহী অদু ঙৌবোম্বী **(Mumps)** তৌবদা নারিবা মফম অদুদা নোংমদা ৪-৫ রক চাং নাইনা তৈদুনসু লায়েংনবগী মথক্তা নুপীগী ফিঙৌ চৎপা **(White discharge)** অমসুং ফিনুংগী লায়নাশিংদসু থোইদোক্না কান্নবগী পাউদমশিংসু লৈ। কনাগুম্বা মীওই অমা তোন্সিল **(Tonsillitis)** নারবদি হৈবোং পাম্বীগী মরা অদু ঈশিংদা ফজনা চামথোক্লগা য়ানা তপ্না-তপ্না শায়দুনা মহী অদু য়োশিন্দুনা লায়েংবা য়াই। হৈবোং পাম্বীগী মরা অদু ঈশিং খরা হাপ্তুনা নূংদা তক্লগা লৌবা অনংবা মহী অদু তৈদুনা তীল-কাংনা চিকপা অদুদা লায়েংনবগী পাউদমসু লৈ। হায়রিবা অশেম্বা মহী অদু অপোম-অতং তৌদুনা নাই চাবা অমসুং অশোক-অপন তৌবদা তৈবদসু অনাবা অদু য়াম্না থুনা ফহনবা ঙম্মী হায়দুনা য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লি।

---

# অঙনবা মতমদা ম্যান্মার (ঔৱা/খামরন/খান্ত্রন) অমসুং মৈত্রবাক মণিপুর, লৈবাক অনীগী লৈনরম্বা মরী

- খুন্দোংবম কুমার -

ঙল্লিঙৈ মতমদা মণিপুর অমসুং মসিগী অকোয়বদা খূৎকন পাঙ্গলনা পাল্লমখিবা লৈবাকশিং ম্যান্মার, কছার, ত্রিপুরা অমদি অসাম (অহোম) নচিংবসি ঙমখৈগী মীকানরকপা অমদি থংন-থংনবা খুঙ্গং কয়ামরুম লোইচন্নবা হোৎনরকপদা লান শিংনবা কয়া তোইনা থোকপদগী মৈত্রবাক মণিপুরসিগী লৈতারবা য়েক্নবা ওইখিবা লৈপাক হায়রবদি ম্যান্মার (ঔৱা/ব্রাম্মা/বর্ম্মা) নি হায়বসি পুৱারীনা তাকচরে। অমুকসু তাঙ্কক কয়াদা লৈবাক অনীসিগী অফবা মরীসু অদুম লৈনরম্মী।

অহানবমক্তদা ৱামাঙ ওইনা ৱাফম খরা - মণিপুরদা লৈরিবা মরু ওইনা মৈতৈশিংনা খামরন/খান্ত্রনবু ঔৱা (অৱা) হায়না খঙনরকখি। অদুদগী মথং-মথং ম্যান্মার/বর্ম্মা/বর্মীজ হায়নসু খঙনখ্রে। ঔৱাশিংনা মৈতৈশিংবু ‘কতোকাসে’ হায়না কৌনৈ। খৃষ্টগী মমাঙ চহী ২১৪গী অদুৱাইদগী চাইনাদগী মশীং নাইদনা হোংলকখিবা ‘টাই’ কাঙলূপশিংনা ঔৱা/ম্যান্মার/বর্ম্মাগী অৱাংদা অমসুং মথক থংবা শরুকশিংদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখিরম্মী। মতমদুদা ঔৱাশিংনা ‘টাই’ শিংবু ‘শান’ হায়না খঙনখি অদুগা মৈতৈশিংনা কবো (শান) হায়নসু শকখঙনখি। মতমগী য়াওন্দা, কবো (শান) শিংগী মনুংদগী তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপ শেমদুনা হৌজিক্কী ম্যান্মারগী কাচেন/কাচিন ষ্টেটকী মোগাউন্দ দিষ্ট্রিক্টকী মোগাউঙ টাউন্দা (থায়না মুঙ রিমুঙ রাম/মুঙ-হি-মোঙ-হাম হায়না কৌরম্বা) টাই-মাও/মাও-শান হায়না খঙনদুনা পাল্লম্মী। হায়রিবা মাও-শানশিং অসিবু মৈতৈশিংনা ‘পোং’ হায়নসু খঙনরম্মী। মণিপুর অমসুং ম্যান্মার পুৱারীগী লমায়শিংদগী শান ক্রোনিকল, বর্মিজ ক্রোনিকল অমসুং মণিপুর ক্রোনিকলনচিংবদা মৈতৈশিংগা টাই-মাও/মাও-শান হায়বদি কবো/শান/টাইশিংগা অচেৎপা মরী লৈনরম্বগী ৱারী ৱাফম ফংই। মৈতৈশিংনা শানবু ‘পোং’ হায়না কীনরিবা অসিসু ডিমাসা/কছাড়/বোড়ো লোন্দা ‘ফৌ’ হায়বনি। ঔৱা (ম্যান্মার/বর্ম্মা/খামরন) অমসুং কবো (শান/টাই) শিংগী তোঙান তোঙানবা পুৱারী লৈজৈ। মতমগী য়াওন্দা, চাউরাকপা কুমজা ১৭০০ অদুৱাইদগী কুমজা ১৭১৮ ফাওবদদি ঔৱাশিংনা মপাঙ্গল কনখৎলক্তুনা কবো (শান) শিংগী ফুরুপশিং, ঔৱাগী ‘কোই’ কাঙলূপশিং, টালেংনচিংবা মনীংতম্না লৈরম্বা ফুরুপশিংবু লোইচন্দুনা কোনবাউঙ নিংথৌ শাগৈ (কুমজা ১৭৫৪-১৮৮৬) গী মখাদা থমদুনা অপূনবা কাঙলূপকী মমিং বর্মিজ/ম্যান্মার/ন্ত্রান্মা হায়না শকখঙমায়খঙনখি।

মখা তাজরকপদা, মণিপুর অমসুং ম্যান্মারগী মরক্তা লৈনরমখিবা মরীগী লমদাংদা লাকচগে - মৈদিংঙু নাওথিংখোং (কুমজা ৬৬০-৭৬৩) গী হাক্তক্তা পোং (শান) গী নিংথৌ সুকামফাগী মনাওনুপা সামলুংনা পাশা (শিলেট) লোই চল্লুরগা মৈত্রবাকলোমদা থোক্লক্তুনা অপোং ইঙ্খোল (কোনুং অমনবগী নোংপোক থংবদা লৈরম্বনি হায়) দা চহী ১০ মুক লৈরমখি হায়বসু থেংনৈ।

মৈদিংঙু ক্যাম্বগী অহানবা মিংলেনদি ‘থাঙৱাই নিংথৌবা’ হায়না থম্বীরম্মী। মৈদিংঙু (কুমজা ১৪৬৭-১৫০৮) সিগী হাক্তকসিদা পোংগী নিংথৌ চৌফা খেকখোম্বগা মৈদিংঙু থাঙৱাই নিংথৌবগা কবোগী লমদা লৈবা ‘ক্যাং’ লমদমদা পূন্না লান্দামিন্নখি। অদুদগী ‘ক্যাং’ লমবু লোইচনবা ঙমখি হায়বদগী মৈদিংঙুগী মিংলেনসি ক্যাংঙম্বদগী থৈথরগা ‘ক্যাম্বা’ হায়না খঙনখি। মতমসিদা মৈদিংঙু ক্যাম্বা অমসুং পোং নিংথৌগা লমখৈ-ঙমখৈ খায়দোক্নদুনা য়েন্নবদা মৈত্রবাক মণিপুরদা কবো তম্পাক্তা চেল্লিবা ‘চিন্দৱিন’ তুরেল (য়ুরোপিয়নশিংনা থোনবনি) গী নোংচুপ থংবা তোর্ব্বানগী লমসি ফাওবা ফংহৌখি। চিন্দৱিন তুরেলসি মৈতৈশিংনা নিংথি তুরেলসু কৌই অদুগা ‘ব্রহ্মপুত্র নদ’ হায়নসু মিংথোল্লি। মতৌ অসুম্না কবো তম্পাক্তা নিংথি তুরেল (চিন্দৱিন) চেল্লি হায়বসি খঙনখিবনি। মতমদুদা ম্যান্মার/ন্ত্রান্মা/বর্ম্মাগী লমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখিবা কাঙলূপশিংগী মনুংদা মৈতৈশিংনা ইহান হেক হান্না শকখঙমায়খঙনদুনা মরুপ-মপাং ওইবগী নুংশি মরী থমখিবদি ঔৱাশিংদগী কবো (শান) শিংনা হাল্লি। মৈদিংঙু ক্যাম্বগী মনাই শেক্তা পুঙ য়ৈবগা পোং নিংথৌ চৌফা খেকখোম্বগী মনাই লৱান (লখৱান) পেরে খোংবগা শিন্নদুনা (ওন্থোক্লদুনা) পুঙ য়ৈবা অমদি পেরে খোংবগী ঈশৈ-নোংমাইগী মচৎ-মনাৎ কয়া পুথোক-পুশিন তৌনদুনা লৈবাক অনীগী মরীসু ফজনা লৈনরম্মী। মতুং তারকপদা মৈদিংঙু ক্যাম্বনা কনদুনা থম্বীরল্লিবা নিংথি তুরেলগী নোংচুপ থংবা তোর্ব্বানগী খোংনুংদা লৈরিবা লৈঙোই লৈফুন্দা সনা মকুপ য়াওই হায়বসি খঙনরক্তুনা মৈদিংঙু খাগেম্বা (কুমজা ১৫৯৭-১৬৫২) গী সনা হাক্তক্তগী সনাখোনবগী থবক চথখিবা মতমদুদগী হৌনা হায়রিবা তুরেলদুগী খোংবান্দা সনাখোম্বা খুন/খুঙ্গং লীংদুনা সনাশুংবগী থবক চথখিবসি মৈদিংঙু রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা অহানবা নিংথৌ ওইবা ফাওবা কায়দনা চথরম্মী। লাইবক থীবা হায়গদ্রা, ঔৱাশিংনা মৈত্রবাকলোমদা কবো তম্পাক ফাওদুনা তোইনা তোইনা লানদাশিল্লকপদগী নিংথি তুরেল খোংবানগী সনাখোম্বা খুঙ্গংদু কায়খিবরা থাজনৈ।

মতমগী য়াওলদা, ঔৱা (ন্ত্রান্মা) গী তোঙ্গু নিংথৌ শাগৈগী ৯শুবা নিংথৌরেল মার-উঙ রত্নদরগা (কুমজা ১৬৯৮-১৭১৪) না পানবা তাঙ্ককসিদা য়ুরোপকী লল্লোনবশিংনা ঔৱাগী লম লৌশিন্নবা হোৎনরকপা অমসুং ম্যান্মার/ন্ত্রান্মা মনুংগী লৈপাক মচা কয়ামরুমনা লান তাশিল্লকপা কয়াসিনা ম্যান্মারগী লৈঙাকসি মপাঙ্গল অমুক শোন্থরকখি। মতমদুদা ঔৱাগী নিংথৌ মার উঙ রত্ন দরগানা মহাক্কী লৈবাক মনুংগী লালহৌ-লাঞ্জংশিংদু মৈতৈশিংগা থেংনহনবগী শরৌদা মৈতৈ নিংথৌগা চারৌ-মৌরৌনদুনা ঙাইশেন ওইনবগী খুজিন থৌরাংদা ঔৱাগী অঙম-অথৌশিং মৈতৈ কোনুংদা নিংথৌগী মচা ইবেম্মা অমা পীবিনবা থারকখি (কুমজা ১৭০৩)। মতমদুদা মৈত্রবাক্তা পাল্লিবা নিংথৌরেনদি মৈদিংঙু চরাইরোংবনি। মৈদিংঙু চরাইরোংবনা ঔৱাশিংনা লৌশিনখ্রবা চকপা খুঙ্গংশিংদু হঞ্জিল্লক্লবদি মচাইবেম্মা চকপা মখাওঙম্বীবু ঔৱাগী নিংথৌদা থাজগনি। লোয়ননা মচাইবেম্মবুসু ঔৱাগী লৈমরেম্বী হাপ্পীগদবনি অসিনি। ৱাফমসিদা য়ানরদুনা মৈদিংঙু চরাইরোংবনা মচাইবেম্মা চকপা মখাওঙম্বী (মৈদিংঙুগী লৈখিদ্রবী তাল্লোয় নুংথিল চাইবীনা পোকপনি) বু ঔৱা নিংথৌগী কোনুংদা থিনবীরম্মী।

পঞ্জহৌনীংবা ৱাফম অমনা - মৈদিংঙু চরাইরোংবনা মহাক্কী মচাইবেম্মা চকপা মখাওঙম্বীগা নুংশি মরী লৈনরম্মী হায়বা পোলেম শাগৈগী ‘পোল্লিবা লমথোক’ কৌবা পাখং অমবুসু কৈশুমশঙদা থমজিনবীখিরম্মী। অদুবু চকপা মখাওঙম্বীগী পীবুকনুংদা য়াওখিবা পোল্লিবা লমথোক্কী নুংশি খুদোল অদুদি ঔৱা কোনুংদা অদুম য়ৌখ্রে। চহী অমগী মতুংদদি ঔৱা লৈমা চকপা মখাওঙম্বীবু লৈমরেম্বী ফমথোনদগী থৈথখ্রে হায়বা মৈদিংঙুগী মনাকোংদা তারে। লোয়ননা ঔৱানা লৌশিনখিবা চকপা খুঙ্গংশিংদুসু হঞ্জিল্লকখিদ্রে।

মৈদিংঙু চরাইরোংবনা মহাক্কী মচানুপীবু ইকায়বা পীবা অমসুং মখোয় ঔৱাশিংনা লৌশিনখিবা খুঙ্গংশিংদুসু হন্দোক্লক্ত্রবদা ঔৱাশিংগী মথক্তা লমন খুম্নবা খুজিল থৌরাং লৌখৎলম্মী। হায়রিবা থৌরাংসিদা মৈদিংঙু চরাইরোংবনা নোংচুপলোমদগী মীচং খোম্বদা বৈদিক লাইনীংদা ওনশিন্দুনা কালিক (দেবী) লাৎপা হৌখিরম্মী। মৈদিংঙু চরাইরোংবনা শক্তা, লাইনীংদা য়ূম্ফম ওইবা ক্ষেত্রিগী লীচৎ লৌদুনা শক্তা লাইনীংদা লাইমীং লৌখিবসি কুমজা ১৭০৪দনি। মতুং তারকপদা বিষ্ণু, রাধা কৃষ্ণনচিংবসু লাৎপা হৌখি। মৈদিংঙু চরাইরোংবগী পুন্সি তেল্লকপনা কুমজা ১৭০৯দা মশাগী চহী ৩৭ শুরকপদা পুকচৎপা লাইনানা নাশিল্লক্তুনা মৈদিংঙুগী পুন্সি চেংজেল লোইখিরম্মী। মৈদিংঙুনা থুপলমদাইগী মতমদা মচা ইবুংঙো অহল নিংথম ময়াম্বা (পামহৈবা/গরিবনিৱাজ) দা মচানুপী চকপা মখাওঙম্বীগী লমন শিংনবা শীরন্নরমখি।

মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ (কুমজা ১৭০৯-১৭৪৮) না ঔৱা লৈপাক্তা কুমজা ১৭৩৪দগী ১৭৪১ ফাওবা চহী ৭ চূপ্না কুম লেপ্তুনা হঞ্জিন-হঞ্জিন লান্দাশিন্দুনা ঔৱাগী সহরশিং - মৎসেম, দবায়েন, মোদু, ঔৱা শাগাইনচিংবা খুনবী, খুল্লেন, খুঞ্জাও, খুঙ্গং কয়া চায়খায়রকপদা ঔৱা লৈবাক থক-থক নিকখি। ঔৱাগী নুপা-নুপী পূম্নমক্না মৈদিংঙু গরিবনিৱাজদি মী নত্তে লাইনি হায়না লৌনখি। হৌজিক ফাওবা ম্যান্মার লৈপাক্তা ৱারীনরি অসুম্না মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা মপাইবুংঙো তুবী চরাইরোংবগী য়াথং ঙাক্তুনা মচননুপী চকপা মখাওঙম্বীগী লমন খুমখিরম্মী। অদুবু মতুং তারকপদদি ঔৱা লৈপাক্কী তোঙ্গু নিংথৌ শাগৈগী নিংথৌরেন মহা ধর্ম্মরাজ দিপাতি (কুমজা ১৭৩৩-১৭৫১) না ম্যান্মার/ন্ত্রান্মাগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী মচানুপী অমা পীবিয়ু হায়দুনা মৈত্রবাক্কী কোনুংদা মৌ হায়বা কয়ারক লাকখিরম্মী। অকোনবদদি মৈদিংঙুনা মহাক্কী থাজনবা অতৈ অপোকপা মচাইবেম্মা লৈতদুনা লৈখিদ্রবা মনাও ইবুংঙো খমলাংপনশাবা ৱাংখৈরাকপগী মচানুপী ৱাংঙমলোন সত্যমালাবু ন্ত্রান্মা নিংথৌরেল মহা ধর্ম্মরাজ দিপাটিদা থাজদুনা ঔৱা কোনুংদা থিনবীরম্মী। অসুম্না মৈত্রবাক মণিপুর অমসুং ঔৱা/ম্যান্মার লৈবাক অনীগী মরী অমুক শমজিন্নখি।

মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী লাইপোক্কী ওইবা মতিক ময়াই কয়াগী ৱারীদি করিসু খঙজদবা ঐহাক্না মরীক চূম্না ফোঙদোকচবগী ইতিক লৈজদে, খঙজবা খজিক্তং শুপচিন্না থমজবনি। মথক্তসু পঞ্জখ্রে, ম্যান্মার/বর্ম্মা/ন্ত্রান্মা লৈবাক্তা খুন্দা লৈতাখিবা কাঙলূপশিংগী মনুংদা মৈতৈশিংগা নকশিন্ননা মরুপ মপাং ওইখিবদি চাইনারোমদগী লাকখিবনি হায়রিবা পোং (শান/টাই/কবো) শিংনি হায়বসি পুৱারীগী চেমায় অয়াম্বদা থেংনৈ। অদুবু মমৈথংদা পোং/কবোবু ওইরো, কোইবু ওইরো, মৈতৈ কবোবু ওইরো, কাঙলূপ খুদিংমক ম্যান্মার/বর্ম্মা/ন্ত্রান্মা হায়বা অপূনবা লৈবাক অমগী মখাদা লৈদুনা মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইনা লৈখিবগা লোয়ননা মতমদুদা মালেমগী ওইনা মচিন তুমখৎলকপা ‘বুদ্ধিষ্ট’ লাইনীংসু হান্নবা লৌখ্রবা লৈবাকসুনি।

অসুম্না মৈদিংঙু চরাইরোংবগী খুদুং ইন্দুনা মহাক্কী চাদা ওইহৌখিবা নিংথৌরেনশিংনা নোংচুপলোমগী কাঙলূপশিংগা নকশিন্নদুনা বৈদিক ধর্ম্মদা খুমাঙ চাওশিনখিবনি হায়বসি থমজগে।

মতৌ অসুম্না অঙনবা মতমদগী হৌনা লৈবাক নিংথৌ য়ানদুনা ঔৱারোমদগী খুন্থোক্লক্তুনা মৈত্রবাকলোমদা তিনখিবা অদুগা মৈত্রবাকলোমদগী ঔৱা/ম্যান্মাররোমদা চঙখিদুনা ঔৱা অদুম ওনখিবা অখঙ অহৈশিংনা খঙনরবা ঙাক্তনি।

অরোইবদা থমজরিবা ৱাফমদি - মতমদুগী মৈদিংঙুশিংদুনা লৌখৎলমখিবা থৌরাং খুদিংমক মরমদম মৈত্রবাক মণিপুরবু তেক্তা কায়দনা থম্বীরম্নবগীদমক্তনি হায়বসি ঙসিগী মীরোন্না কাউফরোই।

মতেং লৌজখিবা লাইরিকশিং :-

১) চৈথারোল কুম্বাবা - পণ্ডিট খেলচন্দ্র।

২) মণিপুরগা ম্যান্মারগা লৈনবা মরী - বি কুল্লচন্দ্র শর্ম্মা।

---

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৪

১। চহী হৌবা হায়বসি মীওইবা জাতি খুদিংমক্কীনি। মৈতৈ খুন্নাইগীসু চহী খুদিংগী চৈরাওবা হায়দুনা পাঙথোক্লি। ঐখোয়গীদি চৈরাওরগদা লোইদে। চহী অমগী তৌফম থোকপা লাইথৌ-তিনথৌ কয়াসু পাঙথোকই।

(ক) চৈরাওবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা মাইবশিংনা য়াচংবদা করি লাইথৌ পাঙথোকপগে?

(খ) শজিবুগী ৭নি পানবদনা মাইবশিংনা করম্বা লৈবাক্কী য়াইফ-থৌরম পাঙথোকপগে?

২। “কৃষ্ণরা, জিসসলা, আল্লারা/নৎত্রগা সনামহীরা? কনানো অমহেক্তঃ/ঐবু প্রলয়সিদগী অমুক্তা কল্লুনে।” কনবিয়ু লাউরিবা কবি অসি কনানো?

৩। “ইশাগী কান্নগনি হায়রবদি/মীগী মাঙনবতা খনগদবনি/ইশাগী কান্নবা লৈত্রফাওবা/মীগী মাঙনবা তৌগদবনি।” পরেং মরি অসি কবি থাংজম ইবোপিশক্কী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। “লাক্কনি ঐ/লেপ্পনি নোংমা/তেক কায়রবা/নঙগী থোঙ্গালদা।” পরেং মরি অসিনা অইবী লাইরেল্লাকপম ইবেমহলগী শৈরেং অমদগীনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। “ঐদি, ঐবু নুংশিবিখিবা মখোয়দা খুল্লং হনখিবতনি/ভোটতা মখোয়না শেঞ্জা খুল্লং কূমখিবদুগীনি।” পরেং অনীসিনা ‘পাইতু খাউদু’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। মপানগী অইবদুগী মমিং হায়য়ু।

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রোওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

---

## মরোল থোকপা লাই

